ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)









Vol. 49, Issue No. 196 | ইরাই, মেরাগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 17, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্তা লৈবা এ আরগী কেম্প অমদা লালহৌবশিংনা অকনবা এটেক তৌখ্রে, এ আর ৭ শোক্লে

### জুলাই ১২, ২০২৫দা ইন্দিয়ন আর্মিনা উলফা-আই অমসুং পি এল এগী কেম্প মরিদা দ্রোন এটেক চখিখিবগী লমন খুন্নকপা ওইগদ্রা




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ম্যান্মারগা ঙমখৈ লোন্নরিবা নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্তকী মেনমাও এরিয়াগী মনুং চন্না লৈবা হেটমেন ভিলেজদা হাংবা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট (কম্পনি ওপরেটিং বেজ-সী ও বি) অমদা লালহৌলূপশিংগী অপূনবা খূৎপু অমনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নদুনা চথরকখিবা এটেকতা পোষ্ট অসিদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৭ শোক্লে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা থৌদোক অসি ঙরাং নোংঙাল্লমদাইপুং ২.৩০দগীনা ৩ ফাওবগী মরক্তা থোকখিবনি হায়রি।

অদুগা এ আরগী পোষ্ট অসিদা এটেক তৌরকখিবা অন্দরগ্রাউন্দ আউটফিটশিং অদুগী মনুংদনা হৌজিক ফাওবদা নেশনল সোশলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন-কে-ৱাই এ) হায়না খঙনবা ফেক্সন অমগী মিলিটেন্টশিং অমসুং অসামগী য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা-আই) গী লান্মীশিং য়াওই হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক এটেক অসিদা লালহৌলূপ অসিদা নত্তবা মখোয়গা চৎমিন্নবা অতোপ্পা নোর্থ-ইষ্টকী অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশনশিংগী লান্মীশিং য়াওরমগদ্রা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## বি জে পিগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা লৈঙাক্কী অশোয়বা-অরানবশিং শবাক ফাক্লক্লে

➧ জল জিবন মিশনগী লুপা ক্রোর লিশীং ১ কায়থোকখ্রে হায় অদুগা অন্দ্রোগীদি মপূং ফানা লোইশিন্দনা ঈশিং পীরে হায়না রিপোর্ট থাগৎলম্বদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী মতেং লৌদুনা কৈশুমশঙদা থম্নবা হোৎনরগনি ➧ য়াইরিপোক-কৈথেলমানবী লম্বী শেম্নবা চহী মরিগী মমাঙদা সেন্টরনা শেল থাদরকখ্রবসু টেন্দর তৌদ্রিবসি খূৎচাবী কন্ত্রেক্টরশিংগা মান্নরগা অরানবা তৌনবা হোৎনরকপদগীনি ➧ থবক্তগী পোত্থারবা চীফ ইঞ্জিনিয়রনচিংবা রি-এনগেজ তৌদুনা হাপচিনবগী থবক তোকপীরো ➧ অঙাং ১০০ বোর্দিংদা লৈরিবা হুইকপ হায় স্কুলগী সেন্টরনা শেল পীরকখ্রবসু ৱার্দেননচিংবা হাপত্রিবসি নুংঙাইতে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মথং থাগী ১৫গী মতুংদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈরগনি হায়না অন্দ্রোগী বি জে পি এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অন্দ্রো এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈবা কষ্টুরভা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়গী ১৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা লিটরেরি মীট অমসুং ওজাগী নুমিৎকী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারখিবা এম এল এদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা থল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল অসি মখা তানা শাংথরবদি এসেম্বলি দিজোল্ভ তৌবগী ফীভম লাক্কদবনা অথুবা মতমদা হায়বদি মথং থাগী ১৫গী মতুংদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহল্লগনি হায়বসি হন্দক দেল্লীদা চৎলুবদা পীরকপা থাজবনি। লিদর খনবগী মতাংদি অমসু অমসু লিদর

### নবেম্বর ১৫গী মতুংদা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈরগনি : এম এল এ শ্যামকুমার




ওইনীংবগী ফীভম লৈবনা সেন্টরনা খল্লক্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, জল জিবন মিশন (জে জে এম) গী মখাদা খুঙ্গংগী য়ুমথোঙশিংদা থক্নবা ঈশিং ফংহন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ময়ূমমক্তদা ডা. রিতাবু মীহাৎ থীনা হাৎলম্বদা চেন্নবশিং পি আর লৈঙাক্না নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পুথোক্কদবনি : সানুলাল

### পুলিস ১সুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা 'ফিঙ্গর প্রিন্ট' খরা ফংলব্রা





সলাই অপূনবা নুপী লূপনা ডা. রিতাগী মীহাৎপশিং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পুথোক্কদবনি হায়না লাউথোকখিবা অমসুং ডা. রিতানা হিংলিঙৈ (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা নাইতোম পোকচবা মচানুপাগী মপোক নুমিৎ (বর্থ-দে) গীদমক লাই খুরুম্বগী থৌরমশিং অয়ূক্তা পাঙথোকচরল্লগা নুংথিলদা য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমগী কা মনুংদা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্বদগী শিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিককী ৱাথোক লোইদ্রি

## ওক্টোবর ২৪ ফাওবদা অৱাৎপা ওজা হাপত্রবদি সেমিষ্টর এগজাম বোইকোট তৌরগনি

### ফিজিক্স, মেথমেটিক্স অমসুং হ্যুমেনিটিজগী ওজা ১ ফাওবা লৈত্রিঙৈদা এগজামিনেশনগী মতম লেপশিল্লক্লে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদা তাকয়েলদা লৈবা গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিককী অৱাৎপা ওজাশিং হাপচিনবীয়ু অমসুং মহৈশঙ অসিগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিলহনবীয়ু হায়বা খক্তা নত্তনা চৌকিদারনচিংবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## রিলিফ কেম্পকী অঙাংশিংদা খুদোল তমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱার্কিং ৱিমেন্স এসোসিএশন (এম য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ) না এসোসিএশন অসিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা অকাম্পাৎকী আইদিএল কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অঙাং ১০০ হেনবদা মখোয়না মহৈ-মশিং তম্বদা চঙবা ষ্টেস্নরিগী পোৎলমশিং য়াওনা চান-থক্লবশিং খুদোল তমখ্রে হায়রি।

খুদোল তম্বগী থবক অসি এসোসিএশন অসিনা মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা ঈরাং অসিনা শোকহল্লবা অঙাংশিংনা মহৈ-মশিং তম্বদা তঙাইফদনা মতেং পাংদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙখিবনি হায়রি।

## ময়ায় লম্বী থিংবগী খোঙজং শৌগৎকনি : আই দি ও

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** নেশনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎখ্রবা ময়ায় লম্বীগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিবু য়েংশিন্দুনা লৈঙাক্না শেমজিনবীদ্রে হায়রদুনা ময়ায় লম্বী অপূনবা লূপনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী লম্বী অসি শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রিবা অসিদা ইনিসিএটিভ এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন (আই দি ও), শামুরৌনা শৌগৎকনি হায়বগা লোয়ননা থবক শুদনা শেল লৌথোক্লবা হোৎনবা কন্ত্রেক্টরশিং ব্লেক লিষ্ট তৌগদবনি হায়না এসোসিএশন অসিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## এম এস টি কমপ্লেক্স য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ওইবদা নত্তনা এদিশনেল চীফ সেক্রেটরিসু ওইরিবা অনুরাগ বাজপায়না ঙসি মোইরাংখোমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী কমপ্লেক্স য়েংশিন্দুনা মণিপুর পূম্বদা এম এস টি বসকী তোঙান তোঙানবা রুটশিংগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা অনৌবা এম এস টিগী রুটশিং কোনশিন্দুনা মীয়ামগী সর্ভিস তৌনবা খন্নখ্রে। খোঙচৎ অসিদা ত্রান্সপোর্টকী দিরেক্টর অমসুং দেপ্যুটি দিরেক্টরসু লোয়নখি।

## দেঙ্গিগী কেস ২৬৪১ শুরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৫৬ থেংনরে হায়রকপগা লোয়ননা অনৌবা কেসশিং অসি য়াওরগা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ২৬৪১ শুরে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নিঙোল চাক্কৌবগী ঙাগী মেলা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোকপগুম থা অসিগী ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইনা লৈঙাক্কী ফিশরিজ দিরেক্টোরেটনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২দা হাপ্তা কাংজৈবুংদা ৪৬শুবা ফিশ ফেয়র-কম-ফিশ ক্রোপ কম্পিটিশন ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ঙসিগী মীরোলদা মণিপুরগী নেরেটিভ আর্টশিং য়েংহনগদবনি : রাধাকুমার




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** শুমাং লীলা হায়বসি মণিপুরগী তাঙলবা ত্রেদিশনেল আর্ট ফোর্ম অমনি। লীলানা মীয়ামদা মতম-মতমগী ওইবা পাউজেল কয়া পীদুনা খুন্নাই অসিদা য়ৌহল্লি। ঙসিসু মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা মাঙশিল্লক্লবা ঐখোয়গী নেরেটিভ আর্ট ফোর্মশিংবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবসি য়াম্না মরম চাবা অমদি তঙাইফদবনি হায়রদুনা ঙসিগী মীরোল য়াওনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা ঐখোয়গী নেরেটিভ আর্ট ফোর্মশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ময়ায় লম্বী থিংবগী খোঙজং

## ইসেন্সিএল সর্ভিস অমসুং অনা-লায়েংগীদি কোনশিল্লোই

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মীয়াম্না ময়ায় লম্বী হায়না খঙনরিবা এন ঐচ-১৩৭এগী ফীভম ফৎত্রিবা লম্বীগী শরুকশিং শেমজিন্দে হায়রদুনা ময়ায় লম্বী অপূনবা লূপনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তনা লম্বী অসি শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা চত্থরক্কদৌরিবা খোঙজং অসিদা ইসেন্সিএল সর্ভিস, ইলেক্ত্রিসিটি, ৱাটর সপ্লাই, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা অমদি লাইনীং-লাইশোনগী থবক থৌরমশিংদি কোনশিল্লোই হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি হুইরেম শ্যামকেশো মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিমক ওইরিবা ময়ায় লম্বীগী ফীভম অসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবদা নত্তনা নোংমা কাংদনা লম্বী অসিদা মশীং খঙদনা এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ তারি অমসুং মীয়াম্না উন্নরি। মীওই কয়া অমা শোয়নাইবা য়াওখ্রে, কয়া অমনা খাঙুথক্তা পূন্সি মাঙখ্রে হায়রি।

ঙসিদগী চহী ১০গী মমাঙদগী ময়ায় লম্বীগী পোটহোল খরা-খরা মেনবা নত্তনা অহেনবা শেমজিন শাজিনবগী মমি তাদ্রি। মীয়াম্না ঈরাং হৌবা মফমদা ঈরাং ফাথনবা খরা শেমজিনবা নত্তনা চৎপা য়ারক্তবদগী মফম খরদদি রোদ দাইভর্সন তৌবা য়াওরে হায়রি।

সেন্সস ওফ ইন্দিয়া-২০২৭

## খনগৎলবা সেম্পল এরিয়াশিংদা হাউস লিষ্টিং ১সুং হাউজিং সেন্সসকী থবক নবেম্বর ১০দগী হৌরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী সেন্সস ওফ ইন্দিয়া-২০২৭ পাঙথোক্লগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা থোরকপা নোটিফিকেশন অমদা সেন্সস অসিগী অহানবা ফেজগী প্রি টেষ্টকী থবকশিং পাঙথোক্নবা প্রোভিজনশিং চৎনহল্লে হায়রি।

নোটিফিকেশন অসিনা মখা তানা হায়, সেন্সস অসিগী অহানবা ফেজগী প্রি টেষ্টকী থবকশিংগী মনুং চল্লিবা হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউজিং সেন্সসকী থবক অসি খনগৎলবা সেম্পল এরিয়াশিংগী ওইনা মথং থাগী ১০দগী হৌরদুনা থা অদুগী ৩০ ফাওবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তা চথরগনি হায়রি। অদুগা সেন্সস অসিগী মনুং চন্না মথং থাগী ১দগী হৌরগা থা অদুগী ৭ ফাওবগী মনুংদনা 'সেল্ফ-ইন্যুমরেশন' চথবা য়াহনবগী ওপশনসু লৈগনি হায়রি।

ঙসি হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল (ইন্দিয়া) না থোরক্লিবা নোটিফিকেশন অসি সেন্সস এক্ট, ১৯৪৮গী সেক্সন ১৭এ অমসুং সেন্সস রুল, ১৯৯০গী রুল ৬দিনা পীবা অয়াবগী মতুংইন্ননি হায়রি।

## পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টনসু ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিলহল্লমদ্রে, প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্নসু হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রে, কনাদা থাজবা থমগনি : সুসিলা


রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংচুপ চীংখোঙগী খুঞ্জা


**(ঙরাংগী মখা...)** কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লত্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তবা চহী অনী মখায় শুজিল্লক্লবা ফাওবদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৩৪ শুরবী নিংথৌখোংজম সুসিলা, মপুরোইবা এন লক্সমননা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা কাংচুপ চীংখোঙদা লৈহৌবা ঐখোয়গী য়ূম অদু মৈমক্তি থাদোক্ত্রি হায়ববু চহী অনী হেন্না মী লৈনরক্ত্রবনিনা য়ূম অদুগী ফীভম অদুক্কী মতিক শোকচিল্লে। লৈঙাক্না য়ূম শেমজিন্নবা লাউথোক্লিবা শেনফম অসিদি য়ামদে। শেনফম অদুনা য়ূম শেমজিনবদা কোন্নরোই হায়না খল্লি হায়রকখি।

লৈঙাক্নসু অৱাবা ঐখোয় ময়ামগী য়েংবীদুনা শেমজিনবদা চঙগদবা মতিক চাবা শেনফম পীহন্নীংই। ঐখোয়না ইশাগী য়ূমদা চঙশিন্দুনা লৈরুরবা মতুংদা ঐখোয়গী পূন্সি অসি মকোক্তগী অমুক হৌবগা চপ মান্নগদৌরিবনিনা লৈঙাক্না পূম্নমক অসি য়েংলগা থবক পায়খৎহন্নীংই। হৌজিক খ্বাইদগী অৱাবা তারবশিং হায়রগদি রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনি। হৌজিক ঐখোয়গীনি হায়বদা করিসু লৈবা নৎত্রে। মরম অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীফম থোকই হায়রি।

করিগুম্বা ঐখোয়না য়ূমদা হঞ্জিনবা হৌরগনি হায়রবসু ঙসি ফাওবদা আই দি পিশিং অমত্তা মশা মশাগী য়ূমদা চঙবা য়াওদ্রি। কৈদৌঙৈ ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবা ফংগদগে হায়বসিসু ইশানা খঙবা ৱাখলগী ৱাংমদা লৈরে হায়রকখি।

করম্বা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবা ফংগনি

### ঐখোয়গী পূন্সিদি মকোক্তগী হৌগদোইনি, লৈঙাক্কী শেনফম য়াম্মন্দে

হায়বদু হৌজিক ফাওবা হায়বা ঙমদ্রি। অমরোমদা, মণিপুরগী লৈঙাক্লোন অসি হৌজিক প্রসিদেন্টস রুলনা চলাইরক্লিবনি। অসিগুম্বা মখলগী লৈঙাক্লোন অসি লৈরবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পি ঐখোয়দদি চপ মান্নরে। মসিগী মমাঙদা লৈরম্বা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টনসু ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙল্লমদ্রে। হৌজিক লৈরিবা পি আর লৈঙাক্নসু ঙমদ্রি। মরম অসিনা কনাদা থাজবা অমুক হন্না থল্লগা কনানা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ঙমদ্রে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু ইশাগী ইয়ূমদা হঞ্জিনবা য়ানবা শিনবীয়ু হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

## আই দি পি ১১০দা সিৱিং মেছিন, ফিশাকোন ১সুং সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** সী আর পি এফকী মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা ফোর্স অসিনা চত্থরকপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ৮-সী আর পি এফনা লৈত্রাম ময়ায় লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৈত্রাম এস সী গর্লস হোষ্টেল অমসুং লৈত্রাম গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবী আই দি পি ১১০দা সিৱিং মেছিন, ফিশাকোন অমসুং সোলর লেম্পশিং দি সী পুজা এলাংবমনা শরুক য়াদুনা য়েন্থোকখ্রে।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫